# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 19-05-2024)

**কামজোং (এল)ঃ** ম্যান্মারদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদগী মীতোপশিং রাজ্য অসিদা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লি।

কামজোং জিলাদা নৌনা ম্যান্মার মচা ২০০ রোম চেনশিল্লক্তুনা লৈরে। মখোয় অদু অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি হায়রি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-য়ুমথংনবা ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদগী আইননা য়াদবা মওংদা ম্যান্মার মচা ২০০ রোম চংজফম লৌনবা চেনশিল্লক্লে। মখোয় অদু ভারত লান্মী অমসুং ষ্টেট পুলিসনা ৱাংলি, নমলি অমদি কাকা ভিলেজশিংদা হাংবা রিফ্যুজি কেম্পশিংদা থমলি। নৌনা চংল্লক্লবা রিফ্যুজিশিং অসিগী বাইওমেত্রিক লৌবগী থবক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা নীংথিনা পায়খৎলি।

পনবা য়াবদি, মমাং থা ফাওবদা ম্যান্মারদগী মনিপুরগী কামজোং জিলাদা চেনশিল্লকপা মীওই লিশিং ৫ হেনখ্রবনি।

অমরোমদা, ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈদা লৈবা কামজোং জিলাদা মশিং য়াল্লবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থাজিল্লকপদগী খুঞ্জাশিং মীপায়বা পোক রে হায়রি।

**কাপ্লন্বা(এল)ঃ** শকখঙদবশিংনা লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উরিপোক নাউরেমথোং পোলেম লৈকাই এরিয়াদা নন-লোকেল অহুম ঙরাং নোংমৈনা কাপ্লল্লে। অমা শিরে, অনি শোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং তরেৎ মিনিট ৪০ রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। শোক্লবা মীওই অনি অদু রিমস হোস্পিতালদা লায়েংলি। লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমস মোর্গতা থল্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা কাংপোকপী জিলাগী আইগেজাং ভিলেজ অমসুং লাইমতোন ভিলেজতগী লাঞ্জেন্নরকখিবা খুঞ্জাশিংদা চান-থকবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাদা লাঞ্জেন্নরকপা মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিং তম্বগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়া হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা লৈবা তকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নরোইশিংগী ওইবা ফিটনেস দ্রাইব অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। পুন্না শান্নরোই ৬০ রোমনা শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অদুদা হন্দ্রদ মিটর রেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়া পাঙথোকখি।

**ইলেক্সনঃ** মঙাশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোইরে। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৬ অমসুং য়নিয়ান তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৪৯ দা ভোট থাদনগনি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিটশিং অদুদি-উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গলগী সিট ৯, বিহারগী সিট ৮, উরিষাগী সিট ৬, হিমাচল প্রদেশকী সিট ৪, ঝারখন্দগী সিট ৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি চান্দিগরগী সিট ১ নি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং হরিয়ানাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অনিদা শরুক য়াখি অমদি বি.জে.পি. মীরেপশিংগী ভোট খোমখি। অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা শ্রী মোদিনা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু উত্তর প্রদেসকী বরাবনকি লোক সিটতা কংগ্রেস মীরেপকীদমক ভোট খোমখি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা হায়রি-লোক সভা মীখলদা মণি পৰার থিংনবা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৮,৮৮৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

কম্মিসন অসিনা মীখল অসিদা নিশা শিজিন্নবা থিংনবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৯৫৮ লোমগী মমল ওইগদবা মশিং য়াম্লবা নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**লো ঃ** কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-অরজন্ রাম মেঘাৱালনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী পান্দমদা কেন্দ্র সরকারনা বৃটিশনা পাল্লিখৈঁ মতমদা চৎনরম্বা ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম অদু শেমদোকখ্রে।

আই.আই.টি. গুৱাহাতিদা ইন্দিয়াস প্রোগ্রেসিব পাথ ইন এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা অনিশুবা কনফরেন্স হৌদোক্লদুনা শ্রী মেঘাৱালনা হায়-লোইলম মপুশিংনা শেল্লম্বা ক্রিমিনেস জষ্টিস সিষ্টেম অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। বৃটিশনা হায়রিবা আইনশিং অসি ভারত মচাশিংবু দন্দি পীনবা শেল্লম্বনি। হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনদি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল পীবা পাম্মী।

**এসসি ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা জষ্টিস-সুসমিতা ফুকান অমসুং জষ্টিস-মিতালি ঠাকুরিয়াবু গৌহাতি হায় কোর্টকী জজ ওইনা হাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে।

জষ্টিস-রাজেস সেত্রিবু হায় কোর্ট ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাগকী এদিসনেল জজ ওইনা হাপ্পদসু য়ারে।

**হিটঃ** লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংচুপ থংবা, ময়াই থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োক রকপা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-রাজস্থান, পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োকগনি। ফিভম অসি নোংপোক থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা লৈবাক অসিগী শরুক খরদসু ফিভম অসি মায়োকগনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৩ ফাওবদা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুরবা য়াই। মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-তামিল নাদু, পুদুচেরি, তরাইকাল, কেরলা, অন্ধ্র প্রদেস অমসুং করনাতক্তা লাক্কদৌরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা নোং চুগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-ম্যান্মারগী লানসিদা ইন্দিয়াগী ফোর্সশিং ফোংনা য়াওরি হায়না কামজোংগী খুঞ্জাশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ম্যান্মারদা থোক্লিবা লানগী চৈথেং মনিপুরদসু চপ চানা ফংলে, কামজোং বোর্ডর টাউন থিংখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-শকখঙদবশিংনা নন-লোকেল শিন্মী অহুম কাপ্লম্বদা অমা শিরে, অনি শোক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লমচৎ নাইদবা নাইদবীশিং লেপ্তুনা ৱারক্লক্লি, অচৌ-অশাংশিংদা লৈশাবী অমসুং মৌ শকখঙনহল্লগা য়োল্লুবনি হায়বা নুপী মানবী নুপা অমা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা ৱারকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। হেদলাইন অসিগী মখাদা অচৌ অশাং, য়াইতোং খুদোংবশিংগা লৈশাবী অমসুং মৌশিং খঙনহনদুনা শেল খরগীদমক য়োনথোক্লম্বনি হায়বা তাকয়েল খোংবাল মনিং লৈকাইদগী লাইশ্রম কুমারজিৎ, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল. সরত কৌবা নুপী মানবী মীওই অমা ওই থংবা

খুবোমদা নোংমৈ মরু অমা কাপশিনদুনা ৱারল্লক্লে হায়রি। পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাংদা-নুপীবু লল্লোনপোৎ ওইনা খনবা, ত্রান্সজেন্দর অমসু মখোংদা কাপ্তুনা ৱারল্লক্লে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অমসুং নুপী লল্লোনবগী মরালদা ফেসন দিজাইন্নর কুমারজিৎ মখোংদা নোংমৈনা কাপ্লল্লে হায়না মনিপুর ন্যুজতা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-সেন্টরগা মখল অমত্তগী পিছ টোক চথবা লৈত্রি, হ্বাইট পেপর শেন্নবদা চহি খরদি চংখিগনি হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিং চেয়ারমেন-এম. নোংয়াইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। ম্যান্মারগী কোন্দোংদা লৈবা পি.দি.এফকী কেম্প অমা থুগায়খ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-হ্বাইট পেপর পুথোক্লগা দাইলোগ চথনবা হোৎনরি হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিং চেয়ারমেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ইন্টরনেসনেল বোর্ডর ওইরিবা কামজোং জিলাদা মশিং য়াম্লবা সিফাই থাজিল্লকপদগী খুঞ্জাশিং মীপায়নরে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরদা হৌখিবা চহি তরেৎতা লুপা কোতি লিশিং ৭,৮৮৭ কী দ্রগ ফাখি, মীওই লিশিং ২,৯৪৩ ফাবা ঙমখি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ত্‌রেল তোর্বানগী রেটর্নিং ৱাল শাবা হৌরম্লগা লোইশিল্লমদবনা নোংজ্‌ থা লাকপদা ঈচাও মায়োকরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা পোক রে হায়বা পাউ অমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৎথোকখ্রবশিংগী নীংশিং পালন থৌরম পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতাপাম্বৈনা ল্‌চিংবা য়ু.এন.এল.এফকী চেয়ারমেন-নোংয়াইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসতা-সরেন্দর তৌখিবা লৈতে, পি.দি.এফ. তরুক হাৎলমখি: নোংয়াই হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন

তৌরি। লোয়ননা পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী সেন্ট্রেল কমিতিনা থাদোকপা চেরোলগা মরী লৈনবা পাউশিংসু তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কামজোংদা মশিং য়াম্লবা অসাম রাইফলস পার্সোনেলশিং থাজিল্লকপদগী খুঙ্গাশিং মীপায়নরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-য়ু.পি.এস.ই. পরিক্ষা থাগদৌরিবা চিংগী কেন্দিদেটশিংদা লুপা লিশিং অহুম-অহুম পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা রাজ্য সরকারদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।